# হান্না সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিস পি সি ঘোস ইন্দিয়াগী অহানবা লোকপালগী লুচিংবা ওইরবা য়ানা লৈরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
লৈবাক অসিগী অহানবা লোপালগী লুচিংবা অদু মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্লবা জষ্টিস পিনাকি চন্দ্র ঘোসনা ওইরবা য়াই হায়না ওফিশলশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।




লৈবাক অসিদা করপশন থিংননবা লুপ অমা ওইগদৌরিবা লোকপাল এক্ট ওইনা কুমজা ২০১৩ দা পাস তৌখ্রবনি। অদুবু কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা পাস তৌখিবা এক্ট অদু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লাক্লবা মতুং হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লাকখিবনি। মসিগী মতাংদা লৈবাক অসি শীনবা থুংন মমিং খঙলবা করপশনবু মায়োক্ন রিবা মহারাষ্ট্রাগী সোশল ৱর্কর অনা হজারিনা চরা হেন্দুনা লোকপালবু থবক্তা ওন্থোকউ হায়বা খোল্লাউ কয়ারক হন্না পাঙথোকখ্রবনি।
খ্বাইদগী নৌনা চহী অসিগী জানুৱারি থাদসু অনা হজারিনা মহাক্কী পোক্লফম মহারাষ্ট্রাদা লৈবা খুঙ্গং অদুদা শিদ্রিবফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং অমা চঙশিনখিবনি। অদুবু মহারাষ্ট্রাগী বি জে পি লৈঙাক অমসুং সেন্টরগী মিনিষ্টরশিং য়াওনা য়াশিন্নবা পুরকপদগী মহাক্কী খোঙজং অদু হন্দোকখি।
সেন্টরদনা লোকপাল অদুগা ষ্টেটশিংদনা লোকঅয়ুক্তা থম্নবা বিল কুমজা ২০১১দা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবনি। মদুগী মতুং চহী অনী লৈরগা বিল অদু এক্ট ওনখি। লোকপালগী লুচিংবা ওইবা য়ানা লৈরি হায়না মমিং ফোঙদোরক্লিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিস পিনাকি চন্দ্র ঘোজ কুমজা ২০১৭কী মে থাদা সুপ্রিম কোর্টতগী রিটায়র্ড তৌখিবনি। মহাক হৌজিক হৌজিক নেশনল হ্যুমেন রাইট্স কমিশনগী মেম্বর অমসু ওইরি।
লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী মহাকপু লোকপালগী লুচিংবা ওইরগনি হায়বা ওফিশল ওইনা ৱারোল থোকপদি লৈত্রি। করিগুম্বা মহাকপু লৈঙাক্লা লোকপালগী লুচিংবা ওইরে হায়না ওফিশল ওইবা ৱারেপ অমা থোরক্লবদি চয়েৎনবা খরা লাক্কদৌরি। মরমদি ইরাই নুমিত্তা কোংগ্রেসকী লুচিংবা মালিকঅর্জুন খারগেনা লোকপালগী লুচিংবা খনবগী সেলেক্সন পেনেল অদুগী মীফম বোয়কোট তৌখিবনি।
সেন্টরদনা লোকপাল অমসুং ষ্টেটতনা লোকঅয়ুক্তনা শেমগৎ-লক্লিবা করপশন য়েংশিন্নবা লুপ অমা ওইগদৌরিবা অসিনা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা অৱাংবা থাক্তা লৈবা মীওইশিং ফাওবা য়েংশিনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।
লোকপাল অসি লুচিংবা/ চ্যেরপর্সন অমনা মকোক ওইরগা মেম্বর ৮ লৈগদৌরি। মেম্বর ৮ অসিগী তঙ্খায় অমা জুদিশল মেম্বর ওইগদৌরি। মসিগী মরক্তা লোকপালগী মেম্বরশিং অদু এস সি/ এস টি/ও বি সি, মাইনোরিটিজ অমসুং নুপীনা চাদা ৫০ ওইগদবনি হায়বা কাঙলোন অসিদা য়াওরি।
লোকপালনা য়েংশনগদৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিং ফোরেন কন্ট্রিব্যুশন রিগুলেশনগী এক্টকী মখাদা কনাগুম্বা অমনা চহী অমদা লুপা লাক্ষ ১০ দগী হেন্না দোনেশনগী খূত্থাংদা শেল ফংলম্বা কাঙবু অদুসু য়েংশিনগদৌরি।
লোকপালনা লৈঙাক্কী থবক তৌবদা পূকচেল শেংবা অমসুং মথৌদা পূক্নিং চঙবা মীওইশিংগী ঙাক শেনবগী থবকসু পায়খৎ-কদৌরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি (সি বি আই য়াওনা) চিংনবা লৈরবদি য়েংশিনগদৌরি।
সি বি আইগী তোঙান তোঙানবা কেসশিং পায়রিবা ওফিসারশিংগী ট্রান্সফর অদুসু লোকপালনা খূৎ থিংজিন্নদুনা অয়াবা অমসুং য়াদবা পীবা পাঙ্গল য়াওরি। করপশনগী খূত্থাংদা শেল অমসুং লন-থুম লেপশিনবা মীওইশিংগী মথক্তা লন-থুম মৎপা অমসুং থিংজিনবগী পাঙ্গল অদুসু লোকপালগী মখাদা য়াওরি।
লোকপাল এক্টনা থবক হেক পায়খৎপা হৌখিবা মতুং চহী অমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূম্নমক্তা ষ্টেট অদুগী লেজিসলেচরনা লো অসিবু থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা লোকঅয়ুক্তা শেমগৎনবা এক্ট অসিদা য়াওরি।

# কাশ্মিরগী সোপিয়ান্দা নুপী স্পিশল পুলিস ওফিসর অমা মিলিটেন্টশিংনা কাপখ্রে



স্রিনগর, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী খা থংবা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্তা লৈবা বেহিল এরিয়াদা ঙরাং নুংথিল মিলিটেন্টেশিংনা নুপী স্পিশল পুলিস ওফিসর অমা মহাক্কী য়ূমগী মমাঙদা নোংমৈনা কাপখ্রে।
থৌদোক অদু নুপী স্পিশল পুলিস ওফিসর অদুগী ময়ূম মমাঙদা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৪০রোম তাবা মতমদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়রি।
খুসবু জান নোংমৈ মরূনা পান্দুনা অনকপা হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা অশোকপা অদুনা হেঞ্জিল্লকপদগী মহাক হোস্পিটাল অদুদা লৈখিদবনি।
পুলিসতগী ফংবা পাউ অসিনা মখা তারদুনা, টেরোরিষ্টশিংনি চিংনবা মীওই খরনা নুপী স্পিশল পুলিস ওফিসর খুসবু জানবু মহাক্কী বেহিল এরিয়াগী খুঙ্গংদা লৈবা ময়ূমগী মমাঙদা কাপ্লম্বনি হায়না ফোঙদোক্লি।
থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেশনগী থবকসু হৌখ্রে হায়রি।
মরক অসিদা আর্মি, স্পিশল ওপরেশন গ্রুপ ওফ পুলিস অমসুং সি আর পি এফকী পর্সনেলশিংনা থৌদোক থোকফম এরিয়া অদু কোইশিন্দুনা মরাল লৈরবা টেরোরিষ্ট অদু ফাননবা অচৌবা খোঙজং চঙশিনখ্রে।
নুপী স্পিশল পুলিস ওফিসর খুসবু জান হাৎখিবগী থৌদোক অদু জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্তা পাকিষ্টান্না সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুগী মতুংদা থোকখিবনি।
পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মানকোতে সেক্টরদা অমাঙ-অতা থোকহন্নবা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।
নীংশিংবা য়াবদি, মমাঙথাগী ২৭তা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্তা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী টেরোরিষ্ট অনী হাৎখি। হায়রিবা থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ান আর্মিগী লান্মী ৫সু অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুদা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রবা মতুং অতোপ্পা অমনা নাম্থোকখি।

# ফিল্ম অর্কাইবসতা ফিল্ম রিল ৩১,০০০ মাঙবগা লোয়ননা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রেঃ সি এ জি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
নেশনেল ফিল্ম্স অর্কাইব্স ওফ ইন্দিয়ানা থম্বা মমল য়াম্লবা ফিল্ম রিল ৩১,০০০ মাঙখিবগা লোয়ননা অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়না কোম্পট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সি এ জি)গী ওদিটরনা ফোঙদোরক্লি।
সি এ জিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ ওদিট এন্দ একাওন্ট্সকী ওফিশলশিংনা পুনেদা লৈবা দিরেক্টর নেশনল ফিল্ম অর্কাইব্স ওফ ইন্দিয়াদা কুমজা ২০১৫গী মে ১ দগী কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা রেকোর্দশিং অদু চেক তৌবদা হায়রিবা মমল য়াম্লবা ফিল্ম রিল ৩১,০০০ অসি মাঙখিবা মতুং অমাঙ অতা থোকহনখিবনি হায়রি।
নেশনল ফিল্ম অর্কাইব্স ওফ ইন্দিয়া অসি কুমজা ১৯৬৪গী ফেব্রুৱারি থাদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা ইন্দিপেন্দেন্ট মেদিয়া য়ুনিট অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। য়ুনিট অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী সিনেমা অমদি ৱর্ল্ড সিনেমাগী কোপিশিং কল্লেক্সন তৌদুনা লোয়ননা মমল য়াম্লবা অরিবা রেকোর্দিংশিং থীগৎলবা মতুং খোমজিন্দুনা তুং কোয়না শীজিন্নবা য়ানবগী থবক পায়খৎলিবনি।
নেশনল ফিল্ম অর্কাইব্স ওফ ইন্দিয়ানা ফিল্মগী রিলশিং ভিদিও কেসেটশিং, দি ভি দি, লাইরিক কয়া, পোষ্টর, ষ্টিল্স, প্রেস ক্লিপিং, স্লাইদ, ওদিও সি দি, দিস্ক রেকোর্দশিং খোমজিন্দুনা চহী ১০৬ হেল্লবা ইন্দিয়ান সিনেমাগী পুক্কে অমা শেমগৎতুনা লাক্লিবনি।
সি এ জিগী মায়কৈদগী চেক তৌবগী থবক থৌরমশিং অদু রাইট টু ইনফোর্মেশন এক্টকী মখাদা এপ্লিকান্ট অমনা চে পীরকপদগী লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিকশিং অদুগী ফিজিকেল ভেরিফিকেশন অদু কুমজা ২০১৬ অমসুং ২০১৭তা লৌখৎলবা মতুং দিরেক্টরদা রিপোর্ট অদু সপোর্ট তৌখি। অদুবু কেসেট, দিস্ক রেকোর্দ, ওদিও সি দি অমদি পোষ্টরনচিংবগী মতাংদদি ফিজিকেল ভেরিফিকেশন তৌবগী থবক পায়খৎলক্ত্রি।
নেশনল ফিল্ম অর্কাইব্স ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১০দা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা দাটা এন্ট্রি, বারকোদ লেভেল জেনরেশন অমসুং লেভেল প্রিন্টিংগী থবক অদু অর্কাইব্স অসিদা লৈরিবা ফিল্ম রিল, লাইরিক অমসুং পোষ্টরনচিংবা খূদীংমক্কী ওইনা চৎনহনখিবনি।

# মাসুদ অজরগী ৱাফম অথুবদা লোইশিল্লগনি হায়না চাইনাগী এনভোয়না দিল্লিদা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মাসুদ অজরবু য়ু এনদা গ্লোবেল টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোক্লবা থাঙ্গৎখিবা ৱারোল চাইনানা অথিংবা থমখিবা অদুগী মতুং মফম কয়াদগী য়ানীংদবা ফোঙদোরকখিবা অদুগী মখা তারকপদা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা চাইনাগী এম্বেসেদর লৌ ঝাও হুইনা ৱাফম অদু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।



য়ুনাইটেদ নেশন্স সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী ১২৬৭ লিষ্ট (গ্লোবেল টেরোরিষ্ট লিষ্ট)তা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৪দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা সি আর পি এফ পর্সনেল ৪০ হাৎখিবা অদুগা চেন্নবা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মাসুদ অজরগী মমিংসু লিষ্ট অসিদা য়াওহন্নবা ইন্দিয়ানা থাঙ্গৎখিবা ৱাফম অদু অতোপ্পা সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী মেম্বরশিংন অয়াবা পীরবসু চাইনানা থিংলকখিবনি।
ঙসি দিল্লিদা লৈবা চাইনীজ এম্বেসিদা হোলি মেলান থৌরম পাঙথোকপদা এম্বেসেদর ঝাও হুইনা ফোঙদোকখিবদা মাসুদ অজরগী মতাং অসি অথুবা মতমদা লোইশিনগনি। হৌজিক লৈরিবা অসি টেক্নিকেলগী ওইবা তাঙ্কক অমনি। মখা তানা ৱারী শানদুনা থবক পায়খৎপা য়াবগী তাঞ্জা চাওনা লৈবা মরম্না অথুবদা লোইশিল্লগনি, মহাকপু থাজবীয়ু হায়খি।
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা মমাঙগী চহীদা মরিরক উনদুনা মমিং লৈরবা ৱুহান সমিটতা ৱারী শানদুনা জি-২০ অমদি ব্রিক্সনচিংবা হীরম কয়াদা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।
হৌখিবা চয়োলদা চাইনানা য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিল ১২৬৭ কম্মিটিগী মখাদা মাসুদ অজরবু গ্লোবেল টেরোরিষ্ট লিষ্ট অদুদা হাপ্পদা অথিংবা থল্লকখিবনি। অথিংবা অসি থা ৯ চৎনগনি। মদুগী মতুং অতোপ্পা অনৌবা ৱারেপ অমা লৌবগী য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী কাঙলোন লৈরি। লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী মাসুদ অজরবু গ্লোবেল টেরোরিষ্ট লিষ্টতা হাপত্রিবফাওবা পূক্নিং ফাথনা ঙাইদুনা লৈগনি। লোয়ননা মহাকপু লিষ্ট অসিদা য়াওদ্রিবফাওবা হনবা লৈরোই হায়খি।
জাইস-ঈ-মোহম্মদ য়ু এনদা পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেরর গ্রুপ্নি হায়না লিষ্টতা য়াওরিবনি।

# কাশ্মিরদা রিটায়র্দ আই এ এস ওফিসর শাহ ফেসালনা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎখ্রে

স্রিনগর, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
হান্না আই এ এস ওফিসর ওইরম্লবা কাশ্মির মচা শাহ ফেসালনা ষ্টেট অদুদা 'জম্মু এন্দ কাশ্মির পীপল্স মুভমেন্ট' হায়বা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎখ্রে।



কুমজা ২০১০ গী সিভিল সর্ভিস বেট্চকী টোপ্পর ওইখিবা শাহ ফেসলনা ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিসতগী চহী অসিগী জানুৱারি থাদা রিজাইন তৌরবা মতুং অনৌবা পার্টি অসি লিংখৎলকখবনি। মহাক্লা ঙসি অনৌবা পার্টি অদু লিংখৎপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মুসলিমশিং ইন্দিয়াদা সেকেন্দ ক্লাস সিটিজন ওইনা থম্বীরি।
মহাক্লা সেন্টরগী থৌশিলশিংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন অমদি নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সিশিংবুসু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি ।
আই এ এস থবক্তগী রিজাইন তৌরবা মতুং জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা লৈরিবা নহাশিংগী মরক্তা মতেং নিদুনা ষ্টেট অদুদা শেঙ্গা-থুমজা লৈতবা, মনুং-মপান ফাওবা অশেংবা পোলিটিক্স অমা থম্নবা হোৎনসি হায়না লাউখিবা খোল্লাউ অদুনা মশীং য়াম্লবা নহাশিং অদুবু খোমজিল্লি।
ফেসলগী অনৌবা পার্টি অসিদা মপুন্সিগী পোলিটিক্স য়াওদ্রিবা নহা কয়া অমদি হান্না পোলিটিক্স য়াওরবসু জম্মু অমসুং কাশ্মির পীপল্স মুভমেন্টকী আইদিওলোজিনা পামজবা পোলিটিসিয়ানশিং মশীং য়াম্না শরুক য়ারক্কদৌরি।
নাকল অমরোমদা, ইরাই নুমিত্তা জম্মুদা ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা খনখিবা মীওই অহুম্না শাবা স্পিশল ওবজর্ভরগী টিম অদুগা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংগসু উনদুনা ষ্টেট অদুদা চপ মান্ননা এসেমব্লি মীখল অমসুং লোক সভা মীখল পাঙথোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈব্রা হায়বদুগী মতাংদা খন্নখি।
নুর মোহম্মদ, বিনোদ জুটসি অমসুং এ এস গিল্ডবু ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ওবজর্ভর ওইনা খনখিবনি।
তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং অদুনা ওবজর্ভরশিং অদুগা তোঙান তোঙান্না উনদুনা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোকপগী মতম অদুগী মতাংদা খন্নখি।
ওফিশল ওইবা পাউ অসিনা মখা তারদুনা, স্পিশল ওবজর্ভরশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কমিশ্ন রশিং অমসুং সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট পুলিসশিংগসু উনদুনা মখোয়গী ৱারোল কয়া নৈনখি।
নাকল অমরোমদা, জম্মু অমসুং কাশ্মির ষ্টেট কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রমনভালানা ফোঙদোক-খিবদা, ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলগী মতম ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা শেমদোকখিবা অদু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অমুক হন্না খন্নদুনা মতম শেমদোক্তনবগী অপাম্বা অদু থমখি। ষ্টেট অদুগী বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি নরিন্দর অমসুং মহাক্কী পার্টিনা এসেমব্লি অমসুং লোক সভা মীখল অনীমক চপ মান্নবা মতমদা পাঙথোকপা পাম্লি।

# গোৱাগী হান্নগী সি এম দিগম্বর কমট বি জে পি য়াওবা য়ানা লৈরি, সি এমগী ফমসু ফংবা য়াই পানরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
গোৱাগী মমাঙদা চিফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা দিগম্বর কমট বি জে পিদা য়াওবা য়ারি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। লোয়ননা মহাক চিফ মিনিষ্টরগী ফমসু ফংলবা য়াই হায়রি।
বি জে পিগী সোর্সশিংগী মায়কৈদগী ফংবা পাউ অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনোহর পাতিকর মশা ঙমদদুনা লায়েংদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা চিফ মিনিষ্টরগী ফম অসি মমাঙদসু চিফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা দিগম্বর কমটনা বি জে পিদা য়াওরগা মতুংদা সি এমগী পোষ্ট অদু ফংবা য়ানা লৈরি হায়না ফোঙদোরকপনি।
গোৱাগী দিপ্যুটি স্পীকর মাইকেল লোবোনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বি জে পি এম এল এশিংগী ওইবা মীফম অমদা দিগম্বর কমটকী মমিং অসি বি জে পিদা য়াওরক্লবগী মতাংদা খন্নখি। লোয়ননা মহাকপু ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর ওইবগী খোঙথাং অদুদি সেন্টরগী মখাদা লাক্কদবনি হায়খি।
নীংশিংবা য়াই, লাক্লিবা খোঙথাং অসিনা কোংগ্রেস পার্টিদা অচৌবা চাইনা অমা পীরি। পার্টি অসিগী গোৱাদা লৈরিবা এসেমব্লিদা ওপোজিশনগী লীদর ওইরিবা চন্দ্রকান্ত কাৱলেকরনা গভর্ণর ম্রিদুলা সিনহাদা চেইদুনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অদু মুখৎলগা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ন নবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়খিবনি।
হন্দক্তা ষ্টেট অদুগী এম এল এ ওইরিবা বি জে পিগী ফ্রান্সিস দি সুজা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লৈঙাক অদুগী ফিভমদা অহোংবা লাক্লিবনি।
হৌজিক হৌজিক চিফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনোহর পরিকর মীয়াম্না থাজবা ৱাৎলবা লুচিংবা অমা ওইরিবনি। মহাক হৌখিবা নুমিৎ নীনি/হুম্নি অসিদা অনাবা হেঞ্জিল্লকপদগী বি জে পিদা অহোংবা কয়া লাকখি।
ষ্টেট অদুগী দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর লক্ষমিকান্ত পরসেকরনা ফোঙদোক-খিবদা, মহাক মশামক নাদুনা লৈরিবা চিফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকরগা উনবা ঙমদ্রি। হন্দক্তা ষ্টেট অদুগী কোংগ্রেস পার্টিদগী এম এল এ অনী বি জে পিদা য়াওখিবা অদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ ১৪ লৈহৌরি অদুগা বি জে পিনা এম এল এ ১৩ লৈরিবনি। গোৱা ফোরৱার্দ পার্টি অমসুং এম জি পিদগী এম এল এ অহুম-অহুম, ইন্দিপেন্টে অমগা লোয়ননা এন সি পিগী এম এল এ অমনা বি জে পিপু শৌগৎতুনা ষ্টেট অদুদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবনি।

# কোংগ্রেস পার্টিনা য়ু পিগী মীখলগীদমক সিট ৭ খাকখ্রে

লক্ষনৌ, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
উত্তর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রাজবাবরনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা মমাঙদা লেপ্লখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না সমাজৱাদি পার্টি (এস পি), বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক দল (আর এল দি)গী ওইনা লোক সভা সিট ৭ খাক্তুনা থমখ্রে হায়রি।
উত্তর প্রদেশকী মেনপুরি কন্সটিট্যুয়েন্সি এসেমব্লি, কনৌজ, ফিরোজদবাদ অমসুং ময়াৱতিগী সিট, আর এল দি জয়েনকিসিদ অমসুং অজিৎ সিংহনা লেপকদৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদগী কোংগ্রেসকী মীরেপ থাগৎখিদবনি।
রাজবাবরনা মখা তারদুনা, গোন্দা অমসুং পিলিভিটকী সিট অদুসু অপনাদা দলদা পীখি। ষ্টেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পোলিটিসিয়ন অমা ওইরিবা মহনদালগা য়ানবা অমা পুরকপদগী মহনদাল কোংগ্রেসকী ফিরালগী মখাদা ভোট লেপকদৌরি হায়খি।
মমাঙদা এস পি, বি এস পি অমসুং আর এল দিনসু লোক সভা মীখল অসিগীদমক্তা সিট য়েন্নবগী থবক পায়খৎমিন্নখ্রবনি। পার্টি অহুমগী অপূনবা অসিনা রে বরেলি অমসুং অমেথিগী সিট অনী অদু কোংগ্রেসতা পীখিবনি। পার্টি অহুম অসিগী য়ানবগী মতুং ইন্না অপূনবা সিট ৮০ লৈবা উত্তর প্রদেশ লোক সভা মীখলদা বি এস পিনা সিট ৩৮দা মীরেপ থাদোক্কদৌরি। এস পিনা মীরেপ ৩৭ অমসুং আর এল দিনা মীরেপ অহুম থাগৎকদৌরিবনি।
কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজবাবরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জন অধিকার পার্টি (জে এ পি) গসু চুংশিন্নবা পুরক্তুনা জে এ পিনা সিট ৭কী মনুংদা ৫ মীরেপ থাদোকপা অদুগা কোংগ্রেসনা ২ থাদোকপা হায়না লেপ্লখি।

# লোক সভা মীখল ২০১৯গী ওইনা কোংগ্রেসনা ৪রকশুবা লিষ্ট থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৭(এজেন্সী)ঃ
মীরেপ ২৭কী ওইবা মরিরকশুবা লিষ্ট অমা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা ঙরাং নুমিদাং লাউথোকখ্রে। মীরেপ ২৭ অসিগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক সিটিং এম পি ওইরিবা অনীগী মমিং য়াওখি।
কেরলাগী থিরুবন্থপুরম কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী সচিথারোল লোয়ননা অরুনাচল ৱেষ্ট কন্সটিট্যুয়েন্সি হান্না ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা নবম তুকিগী মমিং য়াওরি। মীরেপ ২৭কী লিষ্ট অদুগী মনুংদা কেরলাদগী কেন্দিদেট ১২, উত্তর প্রদেশতগী ৭, ছট্টিগড়দগী ৫, অরুনাচল প্রদেশতগী ২ অদুগা অন্দমান অমসুং নিকোবরদগী ১ য়াওরি।
কোংগ্রেস সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিনা মীরেপশিং অসিগী মমিং অসিনা অরোইবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। পার্টি অসিনা থা অসিগী ৭তা অহানবা লিষ্ট ওইনা মীরেপ ১৫ লাউথোকখি। মার্চ ১৩ দা অনীশুবা লিষ্ট ওইনা কেন্দিদেট ২১গী মমিং লাউথোকখি। অদুগা অহুম্লকশুবা লিষ্টতা থা অসিগী ১৬ তা কেন্দিদেট ১৮গী মমিং লাউথোকখিবনি।
হৌজিক ফাওবদা কোংগ্রেসনা লোক সভা মীখল অসিগীদমক্তা মীরেপ ৮১গী মমিং লাউথোকপা লোইখ্রে। য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লায়ন্সকী চ্যেরপর্সন সোনিয়া গান্ধিনা উত্তর প্রদেশকী রে বরেলিগী কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরি। লোয়ননা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা উত্তর প্রদেশকী অমেথি কন্সটিট্যু-য়েন্সিদগী মীরেপ ওইগদৌরি।
মেঘালয়াগী চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মুকুসংমানা ষ্টেট অদুগী তুরা কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীরেপ ওইগদৌরি। কোংগ্রেস ৱিমেন ৱিংগী লুচিংবী সুসমিতা দেবনা অসামগী সিলচর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীরেপ ওইগদৌরি অদুগা য়ু পি কোংগ্রেস চিফ রাজবাবরনা মোরাদবাদ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীরেপ ওইগদৌরি।